মথৌ তৌদবা লৈঙাক্কী ওজাশিং সস্পেন্দ তৌ ঃ এইমস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) : মহৈলোয়শঙশিংদা থাগী তোলোপ্তমক মীহৌদুনা মথৌ তৌদনা লৈরিবা লৈঙাক্কী ওজাশিং সস্পেন্দ তৌ হায়না অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলুপ (এইমস) না ফোঙদোরক্লি।

এইমসকী হেদ ওফিসকী জেনরেল সেক্রেটরি খুমুজাম রোসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী থোরক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীবদা নত্তনা লমদম অসিগী এজুকেসনগী লমদসু অকনবা শাফু পীদুনা মহৈরোয়শিং অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। খুদোংচাদবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লনবা এইমসনা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি।

এইমসনা চৈথেং ফংলবা মীয়ামগী লৈত-লায়রা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা মহৈ তন্বদা শেল চৎতনবা অমদি মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবগীদমক লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈলোয়শঙশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মহৈলোয়শঙ কয়াদা ওজা মশিং ৱাৎপা অমদি মহৈলোয়শঙ অমদা লৈগদবা দেস্ক, বেঞ্চ অমদি খুৎশুখুৎলাই কয়া অমা লৈরমদবা থেংনরকখি। মহৈলোয়শঙ খরদনা মহৈরোয়গী রেসিওদগী ওজাগী রেসিওনা হেনবা অদুগা মহৈলোয়শঙ খরদনা ওজাগী রেসিওদগী মহৈরোয়গী রেসিওনা হেনবা থেংনরকখি।

মোইরাং পুরেল হায়স্কুলদা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা মহৈলোয়শঙ অসিগী মহৈরোয়শিংনা থৱায় য়াওনা মহৈ তম্লন্বা থেংনরকখি অদুবু মহৈলোয়শঙ অসিগী লাইবক থীবদি মহৈলোয়শঙ অসিদা লৈঙাক্লা থারকপা রিগুলর অমদি কন্ট্রেক্ট ওজা খরা মথৌ তৌদনা থাগী তোলোপতমক মীকাদুনা থবক তৌবা থেংনরকখি।

মহৈলোয়শঙ অসি হিংনবা হোৎনবদা স্কুল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না মতেং পাংদুনা কম্মিটিনা গেষ্ট টিচর ১১ নেক্তুনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিং তম্বদা অকায়বা লৈতনবা হোৎনবা থেংনরকখি। মরম অসিনা এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা মথৌ তৌদ্রিবা ওজাশিং তৌহনবীয়ু অমদি মহৈরোয়শিংগী খন্দবা লৈঙাক্কী ওজাশিং সস্পেন্দ তৌ। লৈঙাক্লা ট্রান্সফর থাবা মতমদা ইম্ফাল মনুংদা খক অখন্নবা মীৎয়েং থমদনা লমদম অসিগী চীংখোঙ চীংয়াদা ওজাগী অৱাৎপা লৈরিবা মহৈলোয়শঙশিংদা থাবীয়ু। এইমনা চংশিল্লকপা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

লিভর স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) : থাবুম অমা চুপ্পা চখৎরিবা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস ডে ওবজার্ভেসনগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা লিভর ফিব্রোস্কেন স্ক্রিন কেম্প অমা ক্লেস দাইগনোষ্টিক্স সেম্পল কলেক্সন সেন্টর বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদু জ্যদস, কোর্জা দিভিজনগী মতেংগা লোয়ননা ইন্দিয়া রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সি এস) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, ক্লেস দাইগনোষ্টিক্স পোরোম্পাৎ, ছায়াতপ ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখি।

আই আর সি এস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চিয়রমেন ডা. ৱাহেংবম গুলাপি, হান্নগী চিয়রমেন ইরেংবম জুগেশ্বর, ভাইস চিয়রমেন মৈনম ইবেমহল, সেক্রেটরি ডা. হুইদ্রোম রোমেন, জোইন্ট সেক্রেটরি এলাংবম প্রেমজিৎ, ইগজিকুটিভ মেম্বরদা ৱাহেংবম তোলাঙৌ, ইঞ্জিনিয়র থিয়াম য়াইমানা শরুক য়াখি।

ডা. গুলাপিনা ফোঙদোকখিবদা চহী খুদিংগী মতমগী লায়না অমদি ক্রোনিক দিজিসশিংদগী ঙাকথোক্লবা হোস্পিটাল, ক্লিনিকশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ফ্রি হেল্থ চেক অপ কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পাঙথোকখিবা লিভর স্ক্রিনিং কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই ৬২ স্ক্রিনিং তৌখি।

থা অমা চখৎরকপা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) : জগোই নাচোম সঙ্গিট কলা একাদেমি মহা বিদ্যালয়া খোংমন ৱাঙ্খেই লৌমানবী ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা মার্চ ২৬ তগী থা অমা চুপ্পা চখৎরকপা ফোক প্লে কংলৈ ৱায়েল নুপী শুমাং লীলাগী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সনগী কংলা ৱায়েল উৎখ্রে।

সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি অমসুং সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসিনা থৌরম মপু অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি পি ঐচ গুনচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা নুপী শুমাং লীলাবু মীয়াম্না য়েংনিংদবা পোক্লিবা অসি মীয়ামগী ৱাখল্লোনদগী লৌথোকখিনবা হোৎনবা চংই। নুপী আর্টিষ্টশিংনা শুমাং লীলাদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা খুন্নাই অসি চাওখৎনবা হোৎনরিবা থৌনাবু ঐখোয়না থাগৎফম থোকই।

নুপী লীলারোইশিংনা হেন্না মগুন লৈবা লীলা পুথোক্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাইহায়খি।

শজিবু ইনাৎ ঙাইখঙ কুম্মৈগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) : নুমিৎ ১০ নি চখৎগদবা শজিবু ইনাৎ ঙাইখঙ কুম্মৈ ঙসি ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শিন্দুনা নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোন থলো শিপি লোক সেলোই লংমাইচীং ইম্ফাল নোংপোক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈপাক্কী হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা থৌনি থৌরম পাঙথোকখি। "চীংঙু লাইতাইঙম্বা খোয়ুম লাইলুপ ঙাইখঙবা" মিংলেন অসি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবানা কুমজা ২০০৬ কী এপ্রিল ১৩ শজিবুগী থানিল নুমিৎতা পীখিবা মীংথোলনি। মীংথোল অসি লেম্না মাঙহনবা য়াদবা মিংলেন অমা ওইবনা চহী খুদিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপনি হায়না পম্মৌনা ফোঙদোকখি।

মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবশিংগী মরক্তা ঐহাকপু অচংবা মী অমা ওইনা মশিং থাবীদুনা মীংলেন অসি পীবগা লোয়ননা মীয়াম্না লাইনি হায়বিরি।

লমদমসিদা হৌজিক ওইরিবা ইরাংসিনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনা লাইগী থৌরমতমক পাঙথোকপনি। লৈপাক্কী ওইরিবা ফিভম অসি ঈং চিকপা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা থৌরম অসি ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাঙথোকচবনি। চহী খুদিংগী থৌরম অসি কায়ফদ্রবা থৌরম অমনি হায়খি।

থৌরম অসি পাঙথোকপনা লমদম অসিগী ঈং-চিকপা তংদু লৈতবা পুরকপা ওইরসনু। য়ুমথোং খুদিংমক্তগী হৌরগা ফমদোন ফম্ন ইবা পুম্নমকপুসু অফবা ওইমিন্নরসি হায়খি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

মণিপুরী জগোই মরুপকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুরী জগোই মরুপ লিংখৎখিবগী ৬১ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম লম্বোই খোংনাংখোংদা লৈবা জগোই মরুপ অসিগী গোল্ডন জুবিলি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী দাইরেক্টর পি বিলাশনা অথোইবা মীথুং অমদি জগোই মরুপ অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন জি অমুমচানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। মপোক কুমওন থৌরম অদুদা জগোই মরুপ অসিবু লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈশু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না মণিপুরদা খক নত্তনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মণিপুরী জগোই অসিবু তোপ-তোপ্পা মশক তাক্লিবী থীয়াম সুর্জমুখিদা আর কে সনাহনবীনা কৎপা গুরু থিংবাইজম বাবু নিংশিং মনা লাম্বোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মণিপুরী জগোয়বু শক তাক্লিবী আর্টিষ্ট পুখ্রম্ম রিপাদা উষ্টাদ বিসমিলাহ খান যুব পুরুস্কার এৱার্দ ২০২২-২৩ পীরকপদা অচম্বা খুদোল অমদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা মহাকপু ওকখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা পি বিলাশনা ফোঙদোকখিবদা অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা মণিপুরী জগোইগী মনুংদা য়াওরিবা চৎনকাংলোনশিং অসি কায়দনা হৌজিক্কী মীরোল ঐখোয়না থম্বা তঙাইফদে। মণিপুরী জগোই মরুপনা আর্টিষ্টশিংবু মালেমগী মীয়াম মাংদা পুথোকপীদুনা লৌরিবা থৌদাংশিং ঐখোয়না খঙফম থোকই। গুরু শিষ্যা পরম পরাগী লিকলমদা চৎতুনা মণিপুরী জগোই অসি মালেমগী মীয়ামদা শক তাকপদা ঐখোয় খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নসি হায়খি। থৌরম অদুগী লোয়শিল্লকপদা শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংনা জগোইগী শাথেক কয়া খুদোল তমদুনা থৌরম অদু মপুং ফাহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

[illegible]
KONGBA YOUTH ORGANISATION
অৱাবা ফোঙদোকচবা

Kongba Youth Organisation (K.Y.O) গী Founder President ওইবীরম্বা অহল ইবুংঙো শ্রী কোঞ্জেংবম যত্রা সিংহনা হৌখিবা তাং ২১।৪।২০২৪ নোংমাইজিং নুমিৎতা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা Kongba Youth Organisation না মিনট ২ (অনি) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপু মহাক্কী লৈকোন্দা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি। অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু K.Y.O. গী মাইকৈন্দগী শরুক য়াজরি।

Sd/- Nongthombam Inaoton
Secretary, K.Y.O.

HL-P/10548/25

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. UPSC Combined Medical Services Exam 2024, 827 Vacancies, Apply Online, Notification

UPSC Combined Medical Services Examination 2024 - Examination Notice No. 8/2024-CMS: Union Public Service Commission (UPSC) invites online applications from all Male, Female. Transgender candidates for examination of UPSC CMS 2024 for selection of Medical Officer, Assistant Divisional Medical Officer, General Duty Medical Officer posts. The UPSC will be conduct UPSC CMS 2024 examination on 14th July 2024. The UPSC CMS exam for recruitment of various Medical services / posts in Railways, Indian Ordnance Factories, Central Health Services and Delhi Municipal Corporation. Eligible MBBS Doctors apply online through UPSC Online Application Portal (**upsconline.nic.in**) on or before **30th April 2024**.

2. SSC CHSL Apply Online 2024, 10+2 Notification, 3712 Vacancies

SSC Combined Higher Secondary Level (10+2) Official Notification Out on 8th April 2024: The Government of India, through the Staff Selection Commission (SSC), is expected to conduct the Combined Higher Secondary Level (CHSL 10+2) Examination in 2024, scheduled for June to July. The SSC CHSL 10+2 Exam 2024 aims to recruit candidates for positions such as Postal Assistants/Sorting Assistants, Data Entry Operators (DEO), and Lower Divisional Clerks (LDC)/Junior Secretariat Assistant (JSA) in various Ministries/Departments/Offices of the Government of India. The online registration for the SSC CHSL 10+2 Level Exam 2024 start from 8th April 2024 and registration scheduled to be end on **7th May 2024**.

The SSC will hold the Combined Higher Secondary Level (10 + 2) Examination 2024 in Computer Based Mode for recruitment to the posts of Lower Division Clerk (LDC)/ Junior Secretariat Assistant (JSA), Postal Assistant (PA)/Sorting Assistant (SA), Data Entry Operator (DEO), Data Entry Operator, Grade "A" in different Ministries/ Departments/ Offices of Government of India and their Attached and Subordinate Offices

* Visit the SSC Official Website (**ssc.gov.in**), Click the "Apply" button in the Quick Links category. Then choose "Combined Higher Secondary (10+2) Level Examination, 2024" and click "Apply".

3. OAVS Recruitment 2024 Apply Online | 1386 Teacher Vacancies

Odisha Adarsha Vidyalaya Sangathan (OAVS) has published an Indicative Notification for the Recruitment of Principals and Teachers in OAVS in the State of Odisha. On 1st April 2024, The OAVS will release a detailed official notification and an online application link for Teachers' recruitment. The OAVS, under the School & Mass Education Department, Government of Odisha, invites Online Applications from prospective candidates for filling up 1342 posts of Principals and Teachers of different disciplines in Odisha Adarsha Vidyalayas (OAVs) and 44 posts of Principals and Teachers in Odisha Mining Adarsha Vidyalayas (OMAVs) on a direct recruitment basis. The OAVS Teachers and Principals 2024 Apply Online will be made through the Official website **oav.edu.in** from 1st April 2024. The last date for completion of online registration is **30th April 2024**.

4. Gujarat Police Recruitment 2024 Apply Online (12472 Various Vacancies Opening)

GPRB Recruitment 2024 Notification of Police Posts: Gujarat Police Recruitment Board (GPRB) has been constituted for direct recruitment for Class-III posts of PSI (Police Sub Inspector) cadre and Lok Rakshak cadre in Gujarat Police Force. Online applications are invited from eligible and interested candidates for filling up the vacancies of PSI cadre (Unarmed Sub Inspector of Police) and Lok Rakshak cadre (unarmed Police Constable, Armed Police Constable, armed Police Constable (SRPF) and Jail Sepoy) in Class-III of Gujarat Police Force. The aspiring candidates can apply online for Gujarat Police Recruitment 2024 between 4th April 2024 to **30th April 2024** by Gujarat Online Job Application System website **ojas.gujarat.gov.in**

5. RRB Apply Online 2024, www.rrbapply.gov.in, 4660 RPF Vacancies

www.rrbapply.gov.in Recruitment 2024 Apply Online for latest 4208 RPF Constable and RPF Sub Inspector Posts: RRB Apply Gov In is the official Online Application Portal for the latest RRB Job Vacancies 2024. On 15th April 2024, Ministry of Railways, Railway Recruitment Boards (RRB) has published Centralized Employment Notice No. RPF 01/2024 and RPF 02/2024 for recruitment of Constable (Executive) and Sub Inspector (Executive) Positions. Online Applications are invited eligible Male and Female Indian Citizens for recruitment of Constable and SI posts, Online through www.rrbapply.gov.in/#/auth/landing from 15th April 2024 to **14th May 2024**.

[illegible]
KOKIL BOARDING SCHOOL
হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোংদোকচরি

Sainik School দা চংনবগীদমক লৈজবা KOKIL BOARDING SCHOOL, Khurai Ningthoubung Leikai দা তমখিবা Alenjit Oinam, S/o Oinam Tiken Singh অমসুং Oinam Ongbi Khomdombi @ Bengkhoi, Thangmeiband Lairenhanjaba Near Laijing Umang Maning না UPSC না লৌবা N.D.A-II-2023 দা All India গী ওইনা Rank No. 107 তাদুনা Selection তৌরকপদা School অসিগী Teaching অমদি Non-Teaching Staff না হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Principal
Kokil Boarding School, Imphal East

HL-P/10387/7 to 25 Apr.

KANGLEI COMPUTER
RECOGNIZED BY: SCVT, GOVERNMENT OF MANIPUR.
ESTD. SINCE : 2002
ADMISSION OPEN

30%
Heavy Discount for Class X, XII & Graduate Appearing Students.

- ❖ Computer Basic (1 Month)
- ❖ Tally (45 Days)
- ❖ MS - Office (3 Months)
- ❖ DCA (6 Months)
- ❖ COPA (1 year)
- ❖ Shorthand (1 year)

BABUPARA OPP. KALIMAI MANDIR, ARCHIES'S BUILDING, 1ST FLOOR.

HL-P/10382/7 Apr. to



[illegible]
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
NEF

Our Students Shine again in JEE MAINS (Jan session) 2024 with Highest Score of 98.14%ile
15 out of 19 Students Score more than 80%ile
5 Students Score 90%ile and above.
Our Results in JEE MAINS and Advanced IIT in 2023

AYEKPAM LANKHONBA
98.18%ile (State Topper)
NIT Calicut

HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT Kanpur

NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT Patna

REGISTRATION OPEN NOW
> School integrated program for class 11&12 preparing NEET/JEE/IIT
For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-B/8593/2_Mrch_24_Apr_Alt.

CROSSWORD-4113



ACROSS

1. Mediterranean island(6)
4. Climbed(6)
8. Foreign(5)
9. Leading (anag)(7)
10. Unruly(7)
11. Offspring(5)
12. Rising(7,2)
17. Situation(5)
19. Skilled worker(7)
21. Put on display(7)
22. Item of playground equipment(5)
23. Small basket for fruit(6)
24. Vanquish(6)

DOWN

1. Paper fastener(6)
2. Chat(7)
3. Jousting weapon(5)
5. Upper limit(7)
6. Connections(5)
7. Evaded(6)
9. Attacker(9)
13. Quiver(7)
14. Leisure activity(7)
15. Maintenance(6)
16. Chess piece(6)
18. Drained of colour(5)
20. Flavour(5)

Solution of 4175

C	A	T	S	■	P	R	O	G	R	E	S	S
R	■	R	■	C	■	E	■	R	■	X	■	O
U	N	I	F	O	R	M	■	A	S	H	E	S
M	■	L	■	T	■	A	■	S	■	A	■	O
P	I	L	O	T	■	R	I	P	P	L	E	■
E	■	■	■	O	■	K	■	■	■	E	■	E
T	Y	R	A	N	T	■	T	A	N	D	E	M
S	■	E	■	■	■	N	■	L	■	■	■	P
■	S	T	E	R	E	O	■	K	A	B	U	L
P	■	I	■	A	■	R	■	A	■	R	■	O
R	U	N	U	P	■	W	A	L	L	A	B	Y
O	■	U	■	I	■	A	■	I	■	V	■	E
W	E	E	K	D	A	Y	S	■	M	E	A	D

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5474

5	1	3					4	
		8		7			5	3
					2		8	
				9		5		
			2	3	4			
		7		8				
	7		8					
3	5			2		1		
	6					4	9	5

Solution of 5473

3	2	1	8	9	7	6	5	4
9	5	6	4	3	2	1	7	8
7	8	4	1	6	5	9	3	2
8	1	9	2	5	3	7	4	6
5	4	3	7	1	6	2	8	9
2	6	7	9	8	4	5	1	3
4	9	5	3	2	1	8	6	7
6	3	2	5	7	8	4	9	1
1	7	8	6	4	9	3	2	5

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



[illegible]
[illegible]
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম


ইবুধৌগী মশক্তু উবদা মহাক তু খ্যাও চুংলম্মী।
[illegible]
!??
ঐ কিবা য়াদে, কিরবদি পুম্মাং-মাঙবা তারে।
[illegible]